থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং, অমুক্তং চৎলগা য়েংলুসিরা!

কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) না মীওইবদা তৌরক্লিবা এটেক, থা খরগী মমাঙদা পাউচেশিংদা ইনরম্বা, সোসল অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা ঙাঙনরম্বা/শক্লরম্বা - হৌজিক ফনা ফজনা হন্থখ্রে। খল্লুই - মহীক অসিগী মতম (মপুন্সি) লোইরদুনা মহনফমদা হনখ্র'জাৎলা! দিল্লি, মুম্বই, চেন্নাইরোমদগী মরুপ-মপাংশিংনা হায়রকখিবদি 'ভাইরস অসিগী মথক্তা মীওইবনা ঙমদুনা, কন্ট্রোল তৌদুনা লোকদাউন ফিরেপ হন্দোকখিবা নত্তে, নাবা য়াবা নাখ্রে, শিবা য়াবা শিখ্রবা তুংদসু লেপ্তুনা নারকখিগদবা/শিরকখিগদবা, ডোক্টর অমদি হেল্থ ৱার্করশিংনা করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রবা, খূৎ থারবগী ষ্টেজ অমা লাকপদুদা টেষ্ট তৌবা লেপখিবনি, রিপোর্ট তৌবা লেপখিবনি' হায়বসিনি। কোভিদ-কর্ব-ফ্লেত্তন তৌবা, হায়বদি অনাবা মশীং হেনগৎলকপগী গ্রাফ অদু ৱাংখৎলকপা নত্তবা, চাং অমদা অচুম্বা লৈই (ষ্ট্রেট লাইন) ওইখিবা (অনাবা মশীং মখা তানা হেনগৎলক্তবা) গী ফিগর অদুনা ইন্দিয়াদা ওইরিবা কোভিদ-১৯গী অশেংবা পিকচর উৎপা নত্তে হায়বসি, ওফিসল ওইদবা অচুম্বা পাউ অদুনি। হৌজিক ঐখোয়না তারিবা/উরিবা/খঙলিবা কোভিদ-১৯গী পাউ অসিদি মীদিয়া-হাওজ শিংগী রিপোর্টরশিংনা ফিল্ড'দা চৎলগা খোল্লকপা অচুম্বা (থাজবা য়াবা) পাউ নত্তে, মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ'না থাদোরকপা পাউ অদুনি। অদুমক্তদা নোংমগী ওইবা অশিবা অমসুং অনাবা মীগী মশীং হেনগৎলকপদি লেপ্পা লৈতে। লোকদাউন ৱান, টু, থ্রীগী মতম অদুৱাইদা লৈঙাক, ওথোরিটি, প্রেস অমদি মীচম পুম্নমক্কা অমত্তা ওইনা অকি-তুজুং পোক্লরিবঙৈ, চপ মান্নবা সিরিয়স ওইমীন্নরিবঙৈ মতমদুগী স্পিরিৎ অদু মাঙদনা থবক তৌমিন্নবা ওইরম্লবা - হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ ভিক্টিম মশীং অমদি ফেটেলিটি রেট (শিবগী চাং) ফনা ফজনা হেনগৎলমগনি।

মসিনা নেসনল রিএলিটি অদুনি। ষ্টেট অমত্তনা অচুম্বা ফিগর থাদোক্তে। বেঙ্গল অমদি মহারাষ্ট্র - অখন্ননা মমিং পন্নে, থীনা থীনা ঙাঙনখি। মফমদুদা থবক তৌদুনা হিংনবই পান্বে থিরুবা নুপা-নুপী ময়াম অমা শিরবসু য়ূমদা শিজরুরগে খন্দুনা হিংবই লন্বী থাদোক্লম' ময়ূম লমদমদা হল্লকখিবা মতমদুদা, মশানা মশাবু থাজবা (সেল্ফ কনফিদেন্স) কী চাং ৱাংলবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর'না থৌনা ফনা লাউথোকখি - 'লাকনীংবা মী লাকসনু চপ চানা লায়েংগনি'। মহাক্তা নত্তে, ঐখোয়সু থাজখি - 'য়ু ভি (অলত্রা ভাইওলেট) রেদিয়েসনগী চাং ৱাংবা, লাইনা থাবা লমদমনি কোরোনাভাইরস চঙ'ঙল্লোই'। মতমদুদা ভাইরেল ওইবা ভিদিও অমসু কন্না শন্দোক্লরম্মী - 'সাইন্টিষ্ট'নি হায়ব্রা কনানো'মনা হায়বা, য়ু ভি রেদিয়েসন পোইন্ট ১১গী মথক্তা লৈবা মফমদা কোভিদ-১৯ হিংবা ঙমদে'। করি শারে ঙসিদি- মীশিং য়ামখিদ্রবা ষ্টেটসিনা কোভিদ-১৯ এক্টিভ কেস মশীং খ্বাইদই য়াম্বা ষ্টেট ওইরে ইন্দিয়া'দা। ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন, মণিপুর ষ্টেট চেপ্তর - পেন্দমিক অসি থেংনবদা খ্বাইদই চাউবা থৌদাং লৌরম্বা ওর্গনাইজেসন অসিগী থৌমীশিংসু হায়রক্লে ... 'মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক লৌখৎলিবা থৌরাংসিদি কোভিদ-১৯ নারক্লবা মীওইশিং মরাইবক লৈবনা হিংহৌবা, লাইবক থীবনা শিজখিবা, লাইবক্তা শিন্নথোকখিবই মওংনি' ...। 'ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন'না পেন্দমিক অসি হৌরকপা মতমদুদা হায়খিবদু নীংশিংই - 'লায়না অসিনা শোকহল্লকপদা খ্বাইদই মীপাইনীংঙাই ওইগদবদি ইন্দিয়ানি'। অতৈদা য়ূম্ফম ওইরগা হায়বা নত্তে, 'হেল্থ সর্ভিস সেক্টর'দা ইন্দিয়া'না শোখরিবা ফীভম অসিদা হায়খিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলগনা মণিপুর। চিংনখিবদুমক্কি ঙসি থোক্লরিবা। মণিপুরগী কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা ঙসি ওইরিবা রিঅলিটি - কনাগুম্বা রিপোর্টর অমনা কূপ্পা য়েংশিল্লগা অচুম্বা (রিঅলিষ্টিক) রিপোর্ট অমত্তং মীয়াম খঙনবা ফোঙদোকপীরক্লবদি উইশিন্দুনা লৈরিবা মীয়ামগী মীৎ শোয়দনা পাঙথোরক্কনি।

মান্নি। ঐখোয় মীৎ পাঙনা পাঙনা তূন্নিবা ফুরুপ অমনি। মীৎ পাঙলি হায়বতনি, উইশিন্দুনা লৈরিবগা পাংখকনি - লুচিংবা অমনা হায়রগা চুম্মী/লাল্লি থিদনা ষণ শঙ্খু শঙ্খুগুম মতুং কোয়ইন ইন্নবা। রাজনিতিৱালা (লুচিংবা) শিংনা ঙাঙবা শকপা তারুরগা 'কোভিদ-১৯গীদমক করিসু মীপাইনীংঙাই ওইদে, লৈঙাক্লা তৌফম থোকপদু তৌরি' খল্লুবা ৱাখল'দু নোংমা 'কোভিদ ভিক্টিম' অমগী শোরাৎ মফমদা মরুপ ডোক্টর অমনা হায়রম্বা ৱা তারুরগা 'ঐসি কয়াদা পঙলম্লবা' খলহৌই। ... 'মরুপ! থওইদবা তৌবীনু, কোভিদ'না নারবা ডোক্টর/নর্স/হেল্থ ৱার্কর ময়াম অমা লায়েংশঙদা লৈফম লৈত্রবনি... কোভিদ ক্যের সেন্টর'দা ডোক্টরনা চত্তুনা লায়েংলবা তাঞ্জাসিদা ওইথোক্তে'...। কোল্লমসিদা ইথোক্লুবা য়াদ্রবা ৱা কয়া অমসুনি মীগী কর্ম্ম-মফমদুদা মরুপ মপাং কয়া অমনা মানা মানা থেংনরকপা এক্সপরিয়েন্স কয়াগী ৱারী লীনরকখিবা। মীনা শোন্নরিবা, 'খ্বাইদই ফবা কোভিদ ক্যের সেন্টর' অমদা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা নহা অমা ডোক্টর/নর্সকী সর্ভিস ফংগনি খন্না পুরুরগা, মফমদুগী 'ক্যের টেকর'না 'ডোক্টর/নর্স উন্নবগী ৱাখলদুমা খনবীরুনু... ফোন নম্বর পীজ গে, দরকার ওইবদা তৌবীয়ু' হায়রকপা অমদি সেন্টরদুদা লৈহৌরিবা পেসেন্টশিংগী ফীভম উরুরগা, মফমদুদা লৈনি চৎখিবা পেসেন্ট অদু কিদুনা ময়ূমদা হল্লকখিবা। অতোপ্প'মনা লীরকখি - নিংঙাই কনবা পেসেন্ট (পোজিটিভ ওইরবা) অমগী মপা'না মচাদু 'হোস্পিটালদা ওইনা থম্বীয়ু ক্যের-সেন্টর'দা লৈজরোই' হায়না মরৈ য়েৎনরুবদা...'হোস্পিটালসিদা লৈরিবা কোভিদ পেসেন্ট ময়ামসিদি ফগৎলকপগী আশা নেম্লবা অনাবনা অয়াম্বনি, মখোয়গী নাক্তা লৈরগা নচাদু ফীভম শোকচিল্লক্কনি... নখোয়না লৈত'-য়াদে হায়রগা ফক থাদুনা লৈবা তাবনি, ফমুং মশীং কোন্নদে, সিরিয়স ওইরবা অনাবা কয়া লেপ্তুনা পুশিল্লকখিনি'...। ইজরিবা পাউদমসি থোৎন মেঙহল্লবা খোম্থোক্তনি, তল্লকখিবা/হায়রকখিবা লোন অদুদি অনাবা অমনা তাবদা তুজুংনীংঙাই ওইবা লোন অমনি। পাউ ওইনা পাউচেশিংদগী তারিবা পাউ অসিগা তমজরিবা পাউ অসিগা কয়াদা চূশিন্নখ্রবা! পাউদল্লিবা নুপাদুগী ৱাহৈনি... 'ইম্ফালগী কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদি হোস্পিটাল নোরোক হায়বা ৱাহৈদুগী অশেংবা/অহিংবা শক্তম অদুমক্কি ... ইট'স নথিং বট এ হেল ... আই রিপিট, ইট'স এ হেল... হেল'...!

চুম্না তপ্না হায়বা নত্তে, মমীত্তু ঈ কারগনি।

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ-১৯ নারুবদগী থুনা ফগৎলকপা মীওইশিং লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী পাঙ্গল মতম শাংনা ফংবা য়াই



রিসার্ছরশিংনা থিজিনবদা কোভিদ-১৯না নারুবদগী থুনা ফগৎলকপা মীওইশিংগী হকচাংদা SARS-CoV-2 দগী ঙাকথোকপা ঙম্বা এন্টিবোদিশিং থা কয়ামরুম য়াওদুনা লৈবা থেংনখ্রে। লায়না অসিদা ইহান হান্না এক্সপোজ তৌবা মতমদা ইম্ম্যুন রেস্পোন্স কনবা মীওইশিংগী হকচাংদা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী পাঙ্গল মতম কুইনা য়াওদুনা লৈ হায়না নৌনা থেংনরিবা ৱাফম অসিনা তাক্লি।

সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) গী মতুংইন্না চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদগী হৌজিকফাওবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা কোভিদ-১৯গী কনফার্ম কেস মিল্লিয়ন ৯ হেন্না লৈখ্রে হায়রি।

নুমিৎ খুদিংগী অনাবা মশিং হেনগৎলকপা অসিগা লোয়ননা কোভিদ-১৯বু মায়থীবা পীনবগীদমক লায়না অসিবু নাহল্লিবা SARS-CoV-2 অসিগী মায়োক্তা হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টমনা করম্না রেস্পোন্দ্ তৌবগে হায়বগী মতাংদা মীৎয়েং থমদুনা সাইন্টিষ্টশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাক্লি।

লায়না লাইচৎ অসি ইহান হন্না শন্দোকপা হেক হৌরকপদগী হৌনা লায়না অসিনা নারম্বদগী ফগৎলক্লবা মতুংদা মতম কয়াম কুইনা ভাইরস অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগে অমদি লায়না লাইওং উৎলকপদা শাথিবগী চাং অদুনা ইম্ম্যুনিটি টাইমফ্রেমদা অহোংবা লৈহনবরা লৈহন্দবরা হায়বনচিংবা য়াওনা ভাইরস অসিগী ইম্ম্যুনিটিগী মতাংদা রিসার্ছরশিংনা য়াম্না কুপ্না থিজিন্দুনা লাক্লি।

হায়রিবা ফেক্টরশিং অসি খঙদোকপনা সাইন্টিষ্টশিংনা ইফেক্টিব ওইবা লায়েং অমদি ভেক্সিননচিংবা পুথোক্লবা হোৎনরিবা অসিদা কান্নবা পীবা য়াই। মসিনা হর্দ ইম্ম্যুনিটি হায়বসি ওইথোক্কদ্রা ওইথোক্লোইদ্রা হায়বগী মতাংদসু খঙবা ঙমহনবা য়াই।

ভাইরসনা থোকহনবা অনাবা অমা হেক্তদা মতীক চাবা ইম্ম্যুনিটি লৈরে হায়বগী চপ চাবা ইন্দিকেটর হায়রগদি ভাইরস-স্পিসিফিক এন্টিবোদিশিং য়াওবা অসিনি। SARS-CoV-2 গী ওইনদি নারম্বদগী ফগৎলক্লবা মতুংদা ভাইরস অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল মতম শাংনা লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বগী মতাংদা মান্নদবা/তায়োন্নবা ইভিদেন্সশিং লৈরি।

হীরম অসিগী মতাংদা হেন্না মমুৎ তানা খঙনবগীদমক থিজিল্লোয়শিংনা কোভিদ-১৯ নারম্বদগী ফরক্লবা ভলন্টিয়রশিংগী কাঙলুপ অমদা এন্টিভাইরেল এন্টিবোদিশিং য়াওবগী মরমদা খঙনবা হোৎনখি।

অনৌবা ষ্টদি অসি বোষ্টোনদা লৈবা ব্রিগহাম এন্দ ৱিমেন'স হোস্পিটালগী রিসার্ছরশিংনা লুচিংদুনা চৎখিবনি। ষ্টদি অসিগী রিজল্টশিং অদু সেল কৌবা জর্নেল অমদা ফোঙলকখ্রে।

সাইন্টিটিষ্টশিং অদুনা কোভিদ-১৯ মাইল্দ-মোদরেট ওইনা নারুবদগী ফগৎলক্লবা মীওইশিংগী ঈগী সেম্পল অমদি সেলশিংদা এগজামিন তৌখি।

শরুক য়াখিবা ভলন্টিয়র অয়াম্বগী হকচাংদা anti-SARS-CoV-2 এন্টিবোদিশিং ময়েং তাথরকপা থেংনরবসু মশিং য়ামদবা মীওই খরদদি এন্টিভাইরস এন্টিবোদিশিং অদু থা কয়ারোম য়াওদুনা লৈবা থেংনখি।

রিসার্ছ অদু পাঙথোক্লবগীদমক রিসার্ছরশিংগী টিম অদুনা হৌখিবা মার্চ অমসুং জুন থাদা কোভিদ-১৯ নারম্বদগী ফগৎলকখ্রবা বোষ্টোন এরিয়াদগী মীওই ৯২বু রিক্রুট তৌখি। মখোয়শিং অদু অঙৌবা ফুরুপকী মপুঙ মরৈ ফারবা (এদল্ট) নুপীশিংনা অয়াম্বা ওইখি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই মঙাদি হোস্পিটালাইজ তৌখি, অদুবু অতৈ লেমহৌরিবশিং অদুদি অয়াম্বনা মাইল্দ ওইবা সিম্পটোমশিং থেংনখি। সিম্পটোমশিং অদু লৈত্রবা/ফরবা মতুংদা সাইন্টিষ্টশিং অদুনা ঈগী সেম্পলশিং লৌখি। মসিগী মতুংদা মখোয়না থা খুদিংগী ব্লদ টেষ্ট তৌখি।

থা ৩-৪ চুপ্পা ভাইরস-স্পিসিফিক ইম্ম্যুনোগ্লোবুলিন জি এন্টিবোদিশিং মিজর তৌরবা মতুংদা টিম অদুনা থেংনখি মদুদি, ভলন্টিয়র অয়াম্বদা হায়রিবা ইম্ম্যুন মার্কর অসি হন্থরকপা থেংনবা মতমদা ভলন্টিয়রশিং অদুগী চাদা ২০দদি হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা এন্টিভাইরেল এন্টিবোদিশিং য়াওদুনা লৈবা নৎত্রগা এন্টিবোদিশিং পুথোকপগী চাং হেনগৎলকপফাওবা থেংনখি।

এন্টিবোদিশিং মতম কুইনা য়াওদুনা লৈবা পার্টিসিপেন্টশিং অদু কোভিদ-১৯গী সিম্পটোমশিং মতম য়াম্না তেন্না, হায়বদি চাংচত্তা নুমিৎ ১০নিরোমখক থেংনখিবা মীওইশিংনি। অদুগা অতোপ্পশিং অদুনা মতম হেন্না কুইনা নুমিৎ ১৬নিরোম নাখিবা মীওশিংনি।

এন্টি-SARS-CoV-2 এন্টিবোদিশিং মতম কুইনা য়াওদুনা লৈবা মীওই কাঙলুপ অদুদা ফঙ্খ্রবা মতুংদা য়াওরগা লৈহৌবা CD4+T সেলগী সবসেটকা লোয়ননা ইম্ম্যুন মেমোরি অমদি লোং-টর্ম প্রোটেক্সন পীবা অতোপ্পা ইম্ম্যুন সেলশিংদসু অহোংবা উবা ফংখি।

ফাইন্দিংশিং অসিনা উৎলি মদুদি, লায়না লাইওংশিং য়াম্না থুনা ফহল্লিবা অকনবা ইম্ম্যুন রেস্পোন্স অসিমক্লা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী পাঙ্গল হকচাংদা মতম শাংনা লৈহনবদসু য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌই।

# গ্রোন্থি ফেসবুক লাইভ সীরিজদা শৈরেং পাথোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): য়ু কেগী লন্দনদা বেজ তৌবা দি গ্রোন্থিনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ১০০ পোইটস এরাউন্দ দি ৱর্ল্ড ফোর লভ হায়না মিংথোনবা দি গ্রোন্থি ফেসবুক লাইভ সীরিজদা মণিপুরগী মশক নাইরবা অইবা শরতচান্দ থিয়ামসু শরুক য়াদুনা মশানা ইজবা মণিপুরী শৈরেংশিং অমসুং শৈরেংশিংদুগী ইংলিসতা হন্দোকপা ৱাহন্থোক পাথোকখ্রে হায়রি।

থাংজ নুমীৎ খুদিংগী শন্দোকপা থৌরম অসিগী ঙরাং ১৯শুবা ইপিসোদতা শক্লাইরবা ইন্দোনেসিয়ন-অমেরিকন করি করিসা পুত্রিজিয়ন্দ্র, জিওরগিয়া শক্লাইরবা কবি জুরাব রতবেলিয়াসভিলি, বঙ্গলাদেসকী শক্লাইরবা কবি বিজেয় অহমদ অমসুং জহিদ সোহাগকা লোয়ননা শৈরেং পাবগী থৌরমদা শরতচান্দ থিয়ামসু শরুক য়াখিবনি। থৌরম অসিগী অখন্নবা ওইনা মালেমগী কবি ১০০ খনগৎতুনা শৈরেং পাবগা লোয়ননা মাগী-মাগী লোলদা শৈরেং পাদুনা মশাগী লোল অদুবু মালেমদা শক্তাকপগা লোয়ননা লোল অদুগী শৈরেং অদুসু খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি শিনবনি হায়নসু দি গ্রোন্থিগী এদিটর ওইরিবা শামিম সাহননা ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিগী অরোইবা অমসং ২০শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা থা অসিগী ১৪দা মালেমগী শক্লাইরবা কবি ৫না শরুক য়াদুনা লোয়শিনগনি। ইপিসোদ অমমমদা মালেমগী খনগৎলবা কবি ৫/৫ শরুক য়াদুনা হায়রিবা থৌরম অসি চৎথদুনা লাকখিবনি। থৌরম অসি হেক লোয়বগা শরুক য়াখিবা কবি ১০০না পাথোকখিবা শৈরেংশিং ৱর্ল্ড পোইট্রি এন্থোলোজি অমা ওইনা দি গ্রোন্থিনা ফোঙগনি। লোয়ননা দি গ্রোন্থিনা শিন্দুনা লন্দনদা ইন্টরনেসনল পোইট্রি ফেষ্টিবেল অমসু পাঙথোক্কদৌরি। নীংশিংবা য়াবদি হায়রিবা অখন্নবা থৌরম অসিদা মণিপুরগী শক্লাইরবী কবি মোইরাংথেম বোরকন্যানসু ওক্টোবর ১৭তা পাঙথোকখিবা ১৬শুবা ইপিসোদতা শরুক য়াদুনা মশানা ইবা মণিপুরী শৈরেং অমসুং ইংলিসতা হন্দোকপা শৈরেংশিং পাথোক্তুনা মালেমগী মীয়ামদা খঙহনখি।

# মীওই ৯৮৪ ফ্লাইটতা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): দিল্লি, গুৱাহাটি, কোলকাটা, দিমাপুর অমদি অগরটালানচিংবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯৮৪ ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইটতা ইম্ফালগী বির-টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৯.১১ রোম তাবদা দিল্লি অমদি কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৮২ রোম ইন্দিগো ৬ঈ- ২৫২ ফ্লাইটনা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া আই ৫- ৭৪৩ অসিনা অয়ূক্কী পুং ১০.৪৩ রোম তাবদা দিল্লি-কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৭৮ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। অহুমশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া ৯ আই- ৭৪১ না কোলকাটা, দিমাপুর অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬১ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি। মরিশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া ৯ আই-৭৪১ অসিনা অগরটালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬৯ রোম ইম্ফালদা পুরকখ্রে। মঙাশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ঈ- ২০১৯ অসিনা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৮৩ রোম অমদি অহেনবা মীওই ১৬১গা লোয়ননা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩৬ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা মীওই ১৬১ পুরকখ্রে। ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫৯ রোম তাবদা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫০ অমগসু ইন্দিগো ৬ ঈ- ৬৩২৩ ফ্লাইটতা পুরকখ্রে হায়রি।

# হোম আইসোলেসন তৌরিবা মীওইশিংদা তেংবাংখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): লম্লাই এ সীগী মনুংচন্না লৈবা সেক্তা অৱাং লৈকায়দা হোম আইসোলেসন তৌরিবা ইমুং ৭ অমদি পুংদোংবম মখা লৈকায়দা লৈবা ফ্রন্ট লাইন ৱরিয়র ওইনা মতৌ তৌবা হেল্থ ৱার্কর অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা ইমুং ২দা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচানা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। লৈকায় অনীদা লৈরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা চেং, হৱাই, থাউ, থুম, অলু, চিনি, হৱায়, চা মনানচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি হায়রি। তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা কে ঐচ ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা লম্লাই এ সীদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱাবা তারবা মীয়ামদা মতম-মতমগী ওইবা মতেং পাংবগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তেংবাং অদু পীখিবনি। অসিগুম্বা তেংবাং পীবগী থবক অসি মখা তানা অদুমক চৎথখিগনি হায়খি।

# এক্সিদেন্টতা ১ শিরে, ১ শোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৮(ঐচ এন এস): ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৪০ রোম তাবদা সোরা কৈথেলদা টাটা ৱিঙ্গর অমগা ওটোরিক্সো অমগা থোমগায়নবদা ওটোরিক্সোদা লাকপা অমা শিরে, অমনা শোক্তুনা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং শৌগাইজম প্রকাশ (৪০) অপোকপা এস কুমার কৌই। মহাক ককচীং ইরং মপান্দগীনি। অদুগা অশোকপা অদুনা ককচীং তুরেল ৱাংমদগী ময়াংলম্বম কিয়াম্বা (২২) কৌই। প্রকাশ হেক শোকপগা ককচীংগী জিবন হোস্পিটালদা পুখৎপদা লৈখিদবনি। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙসি জে নিমসকী মোর্গতা ককচীং পুলিসনা পুরক্তুনা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): হেল্পিং ফ্রেন্দস ওফ ইন্দিয়া চেরিটেবল ট্রষ্ট ইম্ফালনা লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়দা লৈবা লাঙ্গোল ওল্দ এজ হোমদা তেংবাংবিরকখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না ইন্টরনেসনল ওরফান হোম লাঙ্গোলগী চ্যেরমেন ওইনাম মঙ্গিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ঙসি হেল্পিং ফ্রেন্দস ওফ ইন্দিয়া চেরিটেবল ট্রষ্ট ইম্ফালনা লাঙ্গোল ওল্দ এজ হোমদা সিন্টেক্স অমা, চেং, আলু, হৱায়, থুম, চিনি, চা মনা অমদি থাউ পাংবিরমখিবনি হায়রি। মীয়াম্না লাঙ্গোল ওল্দ এজ হোমদা লাক্তুনা মতেং পাংবিরিবা অসিনা হোম অসিদা লৈরিবা অহল ওইরবা মীওইশিংগী পুক্নিং-ৱাখল নুংঙাইনা লৈনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমসু ওইরে হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি



**জয়কুমার তখেল্লম্বম, খুরাই অহোঙ্গে**

ওনরেবল মহুদ মিনিষ্টরনা পাউনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেলগী অকোয়বদা য়েংশিনখি। ইলিগেল ওইবা দুকান শাগৎপা অমদি ইম্ফাল ময়োলগী কৈথেল অমসুং লম্বীগী মতাইদা ফত্ত পোৎচৈ কয়া অমসু হুন্দোক্লরি। মতম চানা আই এম সীদা টেক্স থীবিনবসু খঙহনখি। মতাং অসিদা থমজনিংলিবা ৱাফমদি সিটি মনুংগী মীওইশিংনা লম্বীদা গাড়ি খামজিন্দুনা থম্বনা মোৎপা হেনগৎনবা খক্তা নত্তনা ট্রাফিক জামসু থোকহল্লি। লম্বীগী মতাইদা গাড়ি খামজিন্দুনা থম্বগী মহুৎতা মশা-মশাগী দুকান্দা অন্দর গ্রাউন্দদা থম্বিবনা মীয়ামগী য়াইফবা ওইগনি। লোয়ননা ইম্ফাল মনুং লু-নান্না লৈবা অমদি ট্রাফিক জাম থোকপদগী কনবা ঙমগনি। ম্যুনিসিপালিটিগী মখাদা ৱার্দ খুদিংগী গার্বেজ খোমগৎলি। অদুবু মচি খুদিংগী হুরান লোন্নাদা হৈথরি। খুদম ওইনা হায়রবদা মিনুথোং লানবদা মীয়াম্না অদুমক উবা ফংগনি। মফম অসি লান্দুনা চৎপদা চিন খুন্নদুনা চৎনরে। মসিনা মরম ওইদুনা লায়না কয়া পোক্লক্লবগী মচাক অমসু ওইরি। লোয়ননা খুরাই থোং অহাইবী ফাওবা অমদি মিনুথোং লোমদগী হায়থরকপা লম্বীসু ট্রাফিক আইলেন্দ লৈরবসু গাড়ি চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। হায়রিবা মফম অসিদসু লম্বীগী তঙ্খায় ফাওবা গাড়ি কয়া খামজন্দুনা থল্লি। খুদোংথিবা কয়াসু থোকখিবা লৈখ্রে হায়বসি পুম্নমক্লা খঙল-উরবা ঙাক্তনি। অসিগুম্লবা ষ্টেট অসিদা ওইরিবা ফীভমশিং অসি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙহন্নিংই।



**মাইবম সোমেন, লাংমৈথেৎ ময়াই লৈকায়**

মণিপুরগী মফম কয়াদা ফুট ব্রিজ শাবগী মথৌ তারি। ইম্ফাল ময়োল মনুংদা খরদি শাবা উবা ফংজরে। খরগা শাগনি হায়বগী প্লানসু লৈরম্বা য়াই। ইম্ফালদগী খজিক্তং হায়দোরক্লগা থৌবাল লোমদগী লাকপদা লিলোং থোং লাল্লমদাইদা লৈরিবা লিলোং বাজারদা হৌজিক-হৌজিক খ্বাইদগী হেন্না ফুট ব্রিজগী তঙাইফদবা লৈরে হায়জনিংই। থৌবাল লোমদগী ইম্ফাল লোমদা হায়থরকপা গাড়ি কয়াগী চিল্লবা মরক্তা বজার অসিদা লম্বী লাম্থোক-লানশিন তৌবিরিবা ইচিন-ইনাউশিংদা খুদোংথিবা থৌদোক কয়া থোক্লক্কদরা হায়বগী অচৌবা চিংনবা লৈরে। অমরোমদা নেসনল হায়ৱেগা লোয়ননা লৈরিবা বজার অসিগী লম্বী অসি লাম্থোকপদা গাড়িদা তোংলিবশিংদসু খুদোংচাদবা কয়া চাউনা মায়োক্লহল্লি। মী চিনমনখিবনা মরম ওইদুনা কোভিদ-১৯গী চৈরক অসিদা লায়না-লাইচৎ অসি পাকশন্না শন্দোরক্কদরা হায়বগী মীয়ামদা অকিবসু ফাওনরে। মরম অদুনা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা মীওইশিংনা লিলোং বাজারগী লম্বী লাম্থোক-লানশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিবু খঙবি-উবিদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবিদুনা ফুট ব্রিজ অমা তঙাইফদনা শাবিনবা শিনবিয়ু। মদুনা মীয়ামগী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# কম্বাইন্দ ফোর্সনা অমুক্কসু লাইমতোনদা ওপরেসন চথখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৮(ঐচ এন এস): ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা লাইমতোন চীং ঙারিয়ানদা বিষ্ণুপুর কম্মান্দো অমদি ২৯শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিমগা খূৎ থোক্লবদা এন এস সী এন-আই এমগী কাদর অনী নোংমৈনা পান্দুনা শোকপদগী ফাখিবা অহুম্না নাম্থোকখিবা মফম অদুদা ঙসি অয়ূক মখা তানা কম্বাইন্দ ফোর্সনা থিবা-হুম্বগী থবক চথখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৫ দগী ৮ ফাওবা বিষ্ণুপুর পুলিসকী এদিসনেল এস পি (ওপস) ওক্রম য়াংখোম্বনা লুচিংবা কম্মান্দোগী ও সী, ৱাই শক্তিশেন অমদি ২৬শুবা অসাম রাইফলস য়াওনা থিবা-হুম্বা চথখি। অদুবু মীফা-মীপূনদি অমত্তা য়াওখিদে। ঙরাং খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা কম্বাইন্দ ফোর্সকী মখূৎতা শোক্লগা ফাখিবা এন এস সী এন-আই এমগী কাদর অনী অদুদি কাংপোকপী সাদু চিরুদগীজাওইলেন চিরু (২৬) অপোকপা পচাওইং চিরু, চিনিখুন খুলদগী জিয়ানথাইঙম লোংমৈ (৪১) অপোকপা লনবুলুং লোংমৈনি। মখোয়দগী এ কে ৪৭ রাইফল অমা, মেগজিন অমা, চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা, নাইন এম এমগী পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরূ অনী, ৭.৬২ এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ মঙা, ৯ এম এমগী এম্পটি কেস অনী য়াওনা ফাগৎখি। মসিদা নৎতনা মারুটি ভেন এ এম ০১ এন- ৮৩০৪, এন এস সী এন-আই এমগী শেল খোম্বগী রিসিপ্ট বুক অমা, শেল ওইনা লুপা ১৫,২৫০ রোম য়াওনা রিকোভর তৌখি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৯।১১।২০২০ ইং, নিংথৌকাবা; অয়ুক্কী পুং ৬.৫১ ফাওবা মেরাগী ২৩নি পাল্লি, মতুং ২৪নি পানগনি।

**মেষ :** পন্দুনা লৈরম্বা থবক পাংবা, লাই-গুরুনা চানবীবা, শেল চংবা য়াবা অমদি অচুম্বনা লাকচবা নুমিৎনি। নীংবা মপাদি চাদবা অমদি নরল হুবিবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - চিন য়াংলদি চোপকনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃষ :** ঙসিসু নীংবা থুংগনি, য়েক্লবা লৈরম্লসু মাঙখিনি, মরুপ্পদি য়াই অমদি হকচাং নুংঙাইরক্কনি। মীৱা থাজগনু অমদি অখঙ অহৈ শাগনু-অপঙ তাহৌগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফরি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মিথুন :** থেংলপ্না মায় পাকপা, অনৌবা থৌরম পাংবা য়াবা অমদি মীয়ামগা অফবা মরী লৈনবা নুমিৎনি। অদুবু নাইতোম ৱারেপ লৌগনু অমদি ঙক কনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপাদি চাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** অয়ুক্তা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈ অমদি ফম কাবগুম নুংঙাইবসু লৈগনি। অফা অপুন্নবা অমদি খৎনবা য়াবদি লৈ-খাংবা অমদি থিবা হুম্বা কনবা ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - তপথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** থেংলপ্না মায় পাকচবা অমদি লৌশিংনা পান্বে ওইবদা ঙম্বীনবা লৈতবা নুমিৎনি। লন চংই অদুবু মীতোপ্পা থবক পলহনবা য়াবদি লৈ-খুকউ শেল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্নিং নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কন্যা :** অয়ুক্তা শেল-থুম অমদি মীচং খোম্বদা মায় পাক্কনি। নরল চাওখৎপা অমদি অঙম্বনা চানবীবগী নুংঙাইবসু লৈ। অনম তানবদি অহকপা লন কাইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** কোক শাবা অমদি অনম তানবা য়াদবা নুমিৎনি-নোল্লক্লা চৎপা ফগনি। অদুবু থৌনাদি মতাং চাবদা উৎথোকপা ফগনি। অনিংবা থবক পাংগনি, শেল চংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** ইকায়খুম্নবা ফংগনি, ঙাঙথোকপসু রাশি য়াওগনি অমদি থিবা হুম্বা কনবনা লন চাওখৎকনি। অচম্বা চাবনা হকচাং নুংঙাইগনি। লৌশিং থোক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** হেন্না অশা চাওবদি মীপাইনিংঙাই ওইবা থৌদোক নংগনি। য়েক্লবা লৈরম্বদি ঙল্লনি অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি। মরুপ খনবা হৈত্রদি অপঙ তাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ।

**মকর :** অঙনবদা নীংবা থুংবা খোঙশাল অমদি নুংঙাইবা লৈগনি। পন্দুনা লৈরম্বা থবক অমদি নচা ননাইগী লম্দা য়াইফগনি। অদুবু চরাংনবদি মাঙজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** মায় পাকপা, নীংবা থুংবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা নুমিৎনি। হস্থবা লোয়নরুবগী চোপ্পা অমদি মাঙবদি লৈরি। নকম্থিনা নরল মাঙহঞ্জগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিন :** থেংলপ্না মীচং হেনগৎপা, নীংবা থুংবা অমদি য়েৎনবা কোকপা লৈগনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি। অরুবা থবক্তদি নতোমতা পাংবা মঙম শানগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।